# ইন্দিয়াগী বোক্সিং পুৱারীদা অচৌবা লামায় হাংলম্বা দিঙ্কো লৈখিদবদা মায়কৈ কয়াদগী অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি



ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচএনএস): ইন্দিয়াগী বোক্সিংগী পুৱারীদা কুমজা ১৯৯৮দা থাইলেন্দনা যূম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী কোনুং বেঙ্কোক্তা পাঙথোকখিবা এসিয়ন গেমসকী ওইনা নুপাগী বেন্টমৱেথ কেটগোরিদা গোল্ড মেদল ফংদুনা চহী ১৬কী মতুংদা অনৌবা লামায় অমা হাংদোক্লম্বা মণিপুর মচা ঙাওম দিঙ্কো ঙসি মশাগী অনাবনা মরম ওইরগা লৈখিদবদা মায়কৈ কয়াদগী অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি।

দিঙ্কোবু আইদোল ওইনা নীংজদুনা শান্নবা হৌরকখিবী নুপীগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবী মেরি কোম য়াওনা অৱাবা ফোঙদোরকপশিংগী মনুংদা দিঙ্কো মশামক্লা কোচ ওইনা থবক তৌরম্বা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া ট্রেনিং সেন্টর ইম্ফালগী কোচশিং অমদি ষ্টাফশিংনা মহাক লৈখিদবদা ঙসি সেন্টর অদুগী দেপ্যুটি দিরেক্টর ওইরিবা মশামক বোক্সিংগী হীরমদা মমিং লৈরবা কোচ অমা ওইরিবা লৈশাংথেম ইবোমচানা ময়াই তাংবল লৌরগা লৈখিদ্রবা বোক্সর অদুগী মফমদা ইকাই খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা মহাক্কী শক্তমদা হে-লৈ কৎখি।

মমাংদা ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টর ওইরম্বা অসামগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরম্লবা সর্বানন্দ সোনোৱালনা ইন্দিয়াবু বোক্সিংগী হীরমদা অনৌবা মশক খঙহল্লম্বা দিঙ্কোনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরকখি। মণিপুরগী মিনিষ্টর টি ঐচ সৈত্যব্রতনসু অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

পদ্মশ্রী এৱার্দ ফংবা ঙমখ্রবা এসিয়ন গেমসকী গোল্ড মেদল ফংখ্রবা চহী ৪২ শুরবা ঙাঙোম দিঙ্কোনা লৈখিদবদা বোক্সিং মশান্না অসিখত্তা নৎতনা তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনশিংগী মায়কৈদগী মহাক্কা খঙন-চানবা ময়াম্নসু অৱাবা ফোঙদোক্লরকখি। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা রেষ্টলর সঙ্গ্রাম সিংহ য়াওখি। দিঙ্কোনা ইন্দিয়াগী বোক্সিংগী তোঙানবা শক্তম অমা থল্লম্লবা মতুং মণিপুরদগী হৌখিবা বোক্সরশিংগী মনুংদা সুরঞ্জয় অমসুং এস সুরেশ য়াওনা মহাক্লা লৈখিদবদা নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি। দিঙ্কোনা মহাক্কী বোক্সিং করিয়রদা ইকোন কোনবা ওইনা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া ইম্ফাল সেন্টরদা কোচ অমগী থৌদাং লৌরম্বনি। মদুগী মমাংদা ইন্দিয়ন নেভিগী চীফ বোক্সিং কোচ ওইনা থবক পুরমখি।

ওলিম্পিয়ন অমদি কম্মনৱেল্থ গেমসতসু মেদল ফংবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী বোক্সর জিতেন্দর কুমারনা দিঙ্কোনা লৌরম্বা থৌদাংশিং অদুবু নীংশিংলদুনা মতম অদুদা ইন্দিয়াগী বোক্সিং ক্রিটিক্সশিংগী মায়োক্তা অনৌবা শক্তম অমা উৎপা ঙমখিবনি হায়না শীংথাখি। কুমজা ১৯৯৮দা ঙাঙোম দিঙ্কোবু অর্জুনা এৱার্দ মনা পীদুনা শীংথানখ্রবনি। মদুগী মতুং কুমজা ২০১৩দা পদ্মশ্রী এৱার্দসু পীরগা বোক্সিং মশান্না অসিদা ইন্দিয়াগী ওইনা শীংথাবা য়াবা শান্নরোয় অমনি হায়না শকখঙখিবনি। মহাক লিভরগী অনাবা লৈরম্বদগী হৌখিবা চহীদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরগা ফরক্লবা মতুং ঙসি লৈখিদবনি।

# গ্রেট বৃটেনগী সালিসব্যুরি অমদি য়ু এসকী ক্রোজেকনা ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী মিক্স দবলসকী টাইটল লৌখ্রে







পেরিস, জুন ১০ (এজেন্সী): গ্রেট বৃটেনগী টেন্নিস পুৱারীদা লৈবাক অদুগী শান্নরোয় অমনা ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌবা ঙম্বা অসি চহী ৩৯গী মনুংদা জো সালিসব্যুরিনা য়ু এস এগী পার্টনর দেসিরি ক্রোজেকনা ঙসি মিক্স দবলসকী টাইটল লৌদুনা হান্না লৈরম্বা রেকোর্দ অদু থুগায়খ্রে।

গ্রেট বৃটেনগী জো সালিসব্যুরি অমদি য়ু এস এগী দেসিরি ক্রোজেকনা ঙসি শান্নখিবা ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী মিক্স দবলসকী ফাইনেল মেটচ অদুদা রসিয়াগী প্যের এলিনা ভেসনিনা অমসুং অস্লান করাটসেটপু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

মিক্স দবলসকী ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেটতা রসিয়াগী প্যের অদুনা য়াম্না হেনবা মওংদা গ্রেট বৃটেনগী সালিসব্যুরি অমদি য়ু এস এগী ক্রোজেককী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-২দা থোইরগা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অদুবু অনীশুবা সেটতা গ্রেট বৃটেন অমদি য়ু এস এগী প্যের অদুনা অহানবা সেটতা লৈখিবা অশোনবা মফমশিং অদু মেনখৎতুনা রসিয়াগী প্যের অদুগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা মখোয়গী সর্ভিস গেমশিং অদু হোল্ড তৌদুনা ৬-৪দা থোইরগা সেট অমমম্ মান্নবদগী মিক্স দবলসকী চেম্পিয়ন প্যের অদু মশক খঙদোক্লবা দিসাইদিং সেট শান্নখি।

দিসাইদিং সেট অদু কাঙলোনগী মতুংইন্না সুপর টাই ব্রেক হায়না মিংথোনবা ফোর্মেটতা শান্নদুনা গেম ১০ য়ৌবা প্যেরনা মায় পাক্লবগী ফোর্মেট অদুদা লম্বা তৌনরকখি। মদুদা গ্রেট বৃটেনগী জো সালিসব্যুরি অমদি য়ু এস এগী দেসিরি ক্রোজেকনা ফজবা হেল্লকপদগী রসিয়াগী প্যের অদুনা গেম মঙা মায় পাল্লকপদা মখোয়না গেম ১০ মায় পাকপা হাল্লকপদগী ১০-৫দা থোইরগা মিক্স দবলসকী টাইটল লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা রসিয়াগী অনাষ্টেসিয়া পাল্লুচেনকোভা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মহাক্না ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস অদুগী অহানবা সেমীফাইনেল মেটচতা সর্ভিয়াগী তামারা জিদেনসেকপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৭-৫, ৬-৩দা থোইখি। পাল্লুচেনকোভানা ফাইনেলদা চেক রিপব্লিককী বারবোরা ক্রাইচিকোভা অমদি গ্রিসকী মারিয়া সকারি অনীগী অথোইবগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলস সেমীফাইনেলদা মমাংগী চেম্পিয়ন স্পেনগী রফেল নদাল অমদি ৱর্ল্ড নম্বর ৱান সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোবিচ শান্নগনি। অদুগা অতোপ্পা সেমীফাইনেলদনা জর্মনিগী জ্বেরেভ অমদি গ্রিসকী সিসিপাস থেংনগদৌরি।

# ওনলাইন শুটিং চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা জুনিয়র শুটরশিং য়াওগদৌরি



ন্যু দেল্লী, জুন ১০ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা শুটরশিং লোয়ননা জুনিয়র ৱর্ল্ড চেম্পিয়নগী থাক্তা মায় পাকপা ঙল্লক্লবা শুটরশিং য়াওনা থা অসিগী ১২ অমসুং ১৩দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনল ওনলাইন শুটিং চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াগদৌরি।

ৱর্ল্ড জুনিয়র চেম্পিয়ন রিদে হাজারিকা অমসুং য়ুঠ ওলিম্পিক গেমসতা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখ্রবী সাহু মানেসু ইন্টরনেসনল ওনলাইন শুটিং কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়াগদৌরি। ইন্টরনেসনল ওনলাইন শুটিং চেম্পিয়নশিপ (আই ও এস সী ও) অসিদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী জুনিয়র ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন রিদে হাজারিকা অমসুং য়ুঠ ওলিম্পিক্সকী সিলভর মেদল ফংবা ঙমখ্রবা সাহু মানে শরুক য়াগদৌরিবনি।

মরক অসিদা ইন্দিয়াগী জুনিয়র এসিয়ন চেম্পিয়ন য়াস বর্ধন অমসুং নেসনল চেম্পিয়ন ওইরিবা জিনা খিটাসু হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবনি। পনবা য়াই, ইন্টরনেসনল ওনলাইন শুটিং চেম্পিয়নশিপ অসি ইন্দিয়াগী হান্না শুটর ওইরম্বা সাইমোন সারিফনা ওর্গনাইজ তৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

হায়রিবা ইন্টরনেসনল ওনলাইন শুটিং চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা শুটর কয়া অমা শরুক য়াগনি হায়বগী অপাম্বা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। লোয়ননা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইরবা য়ু এস এগী শুটর লুকাস কোজিন্সকী অমদি ৱিলিয়মস সেনর য়াওনা ওষ্ট্রেলিয়াগী মার্টিন ষ্টেমফলসু শরুক য়াগনি হায়রি। ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা শুটরশিংনা শোট ৬০গী খূদোংচাবা ফংগনি। অদুগা ফাইনেলগী ওইনা শোট ২৪ থমগদৌরি।

# ইন্দিয়াগী রামকুমার অমদি ফ্রান্সকী এন্টোইন প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, জুন ১০ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপাগী টেন্নিস শান্নরোয় রামকুমার রামানাথননা গ্রেট বৃটেনগী নোটিংঘাম সিটিদা পাঙথোক্লিবা য়ুরো ১৩২,২৮০গী শেলগী মনা লৈবা চেলেঞ্জর টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলসতা ফ্রান্সকী শান্নরোয় এন্টোইন হোৱাংগা প্যের ওইদুনা টুর্নামেন্ট অদুগী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

রামকুমার রামানাথন অমদি ফ্রান্সকী এন্টোইন হোৱাংনা টুর্নামেন্ট অদুগী নুপাগী দবলসকী কাঙলূপ্তা মকোক থোংবা প্যের ওইখিবা গ্রেট বৃটেনগী লুক বামব্রিজ অমসুং জেনি ও মারাবু অকনবা লম্বা অমদা ৭-৬ (৭-৩), ৩-৬, ১০-৭তা থোইরগা প্রি ক্বার্টর ফাইনেলগী থাক য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসি হৌজিক-হৌজিক ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা চথরিবা ক্লেকোর্টকী ওইনা অহানবা অমদি অমত্তা ঙাইরবা গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী মতুংদা পাঙথোক্কদবা গ্রাসকোর্টকী নম্বর ৱান টুর্নামেন্ট ওইরিবা ৱিম্বলদন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী শেম শাবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবনি।

অতোপ্পা ফ্রান্সতা পাঙথোকপা চেলেঞ্জর টেন্নিস টুর্নামেন্ট অমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সুমিট নগালনা অর্জেন্টিনাগী ফ্রান্সিকো সেরুনদোলোগা প্যের ওইদুনা য়ু এস এগী প্যের ইভান কিং অমদি হন্টর রিসেবু ৪-৬, ৭-৫, ১৭-১৫দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

অমরোমদা, ইন্দিয়াগী শান্নরোয় দিবিজ সারননা জর্মনিগী ষ্টুটগার্টতা পাঙথোকপা এ টি পি টুর্নামেন্টতা জিওর্জিয়াগী নিকোলোজ বাসিলাভিলিগা প্যের ওইদুনা শরুক য়ারকপদা উরুগুৱেগী এরিএল বেহর অমদি ইক্বাদোরগী গোঞ্জালোগী মখূৎতা মায়থীখি।

# ক্বারন্টিন লোইরবা মতুংদা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিম য়ু কেদা অহানবা ট্রেনিং সেসন পাঙথোকখ্রে



সাউথমটন, জুন ১০ (এজেন্সী): থা অসিগী ১৮দগী হৌরগা ২২ ফাওবা ন্যু জিলেন্দগা শান্নগদৌরিবা ৱর্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়নশিপকী ফাইনেল মেটচ অদুগীদমক্তা ইংলেন্দদা থুংখিবা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট শান্নরোয়শিং ক্বারন্টিনগী মতম লোইরদুনা অপূনবা ট্রেনিং সেসন পাঙথোকপা হৌখ্রে।

ঙসি ইংলেন্দগী সাউথমটন সিটিদা লৈবা এজিয়াস বাউলগা নক্লনা লৈবা মফমদা অহানবা গ্রুপ প্রেক্টিস সেসন অদু ইন্দিয়াগী ক্রিকেট শান্নরোয়শিং অদুনা পাঙথোকপা হৌখিবনি। মাংওইননা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদু ইংলেন্দদা য়ৌরক্লবা মতুং মফম অদুগী লৈঙাক্লা থল্লিবা অকনবা ক্বারন্টিনগী চেকশিন থৌরাংশিং অদুগী খোঙথাংশিং অদু পায়খৎলিঙৈদা মশা-মশাগী ওইবা হোটেল কাদা লৈহল্লবা মতুং হোটেলগী জিমনেসিয়মদা তোঙান-তোঙানবা মতমদা ট্রেনিং চথবগী খূদোংচাবা ফংখ্রবসু পূন্না ফিল্ডদা থোরক্লগা ক্রিকেটকী ট্রেনিং পাঙথোকপা অদু ঙসিনা অহানবা ওইখি।

বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ত্বিটরদা থাদোরকপা ভিদিও ফুটেজ অমগী মতুংইন্না ইন্দিয়াগী ক্রিকেট শান্নরোয়শিং অদুনা পূন্না ট্রেনিং চথবা হৌবগী ফীভম অদু উথোরকখি।

কেপ্টেন ভিরাট কোহলি, রোহিট শর্ম্মা, চিটেশ্বর পুজারা, রিসব পন্ট লোয়ননা বোলরশিংগী মনুংদা ইশান শর্ম্মা, মহমদ সামি, জস্প্রিট বুমরা, মহমদ সিরাজ অমসুং রবিচন্দ্রন অস্বিন প্রেক্টিস সেসনশিং অদুদা মপূং ফানা শরুক য়াখি। শান্নরোয়শিংনা মখোয়-মখোয়গী হোটেল কাদগী থোরক্লগা ট্রেনিং পাঙথোকখিবা অদু ঙসিগী সেসন অদুনা অহানবনি।

# টেষ্ট ক্রিকেটতা কোহলি ৫শুবদা লৈরি, রোহিট অমসুং পন্ট ৬শুবদা লৈরি

দুবাই, জুন ১০ (এজেন্সী): মালেমগী ক্রিকেটকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লূপ ওইরিবা ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী নৌনা ফোঙদোরকপা টেষ্ট ক্রিকেট মশান্নগী বেটসমেনশিংগী ওইবা মকোক মথং তাবগী পরিংদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ওইরিবা ভিরাট কোহলি ৫শুবা থাক্তা লৈবা ঙল্লি। অদুগা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী বেটসমেন অনী রোহিট শর্ম্মা অমদি রিসব পন্ট ৬শুবা থাক্তা লৈরি।

আই সী সীগী মায়কৈদগী থাদোরকখিবা খ্বাইদগী নৌনা টেষ্ট ক্রিকেটকী মকোক মথং তাবগী পরিং অসিদা ন্যু জিলেন্দগী নৌনা টেষ্ট ক্রিকেট শরুক য়ারক্লিবা দেবোন কোনৱেনা ইংলেন্দগা শান্নখিবা মেটচতা দবলস সেঞ্চুরি লৌবা ঙমদুনা ৭৭শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখি। অদুগা লৈবাক অদুগী বেটসমেন কেপ্টেনসু ওইরিবা কেন ৱিলিয়মসননা রেটিং পোইন্ট ৮৯৫ ফংলগা বেটসমেনশিংগী ওইবা পরিং অদুদা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈবা ঙল্লি।

বেটসমেনশিংগী ওইনা ৫শুবা লৈরিবা ভিরাট কোহলি রেটিং পোইন্ট ৮১৪ ফংলি। অদুগা ইংলেন্দগী কেপ্টেন জো রুটনা রেটিং পোইন্ট ৮৩৬ ফংদুনা ৪শুবা থাক্তা লৈরি। রোহিট শর্ম্মা অমদি রিসব পন্ট রেটিং পোইন্ট ৭৪৭ ফংমিন্নরগা ৬শুবদা লৈমিন্নরিবনি।

টেষ্ট ক্রিকেটকী বোলরশিংগী ওইবা পরিংদা ইন্দিয়াগী স্পিন্নর রবিচন্দ্রন অস্বিননা রেটিং পোইন্ট ৮৫০ ফংলগা অনীশুবা থাক্তা লৈরি। অদুগা ওষ্ট্রেলিয়াগী ফাষ্ট বোলর পেট কম্মিন্সনা রেটিং পোইন্ট ৯০৮ ফংলগা মকোক্তা লৈরিবনি। ওল রাউন্দরগী ওইনা ৱেষ্ট ইন্দিসকী জেসন হোল্ডরনা রেটিং পোইন্ট ৪২৩ ফংলগা মকোক্তা লৈরি। অদুগা ইন্দিয়াগী জাদেজানা ৩৮৬ ফংলগা ২শুবদা লৈরি।

# ফাষ্টর, হায়র অমসুং ষ্ট্রোঙ্গর হায়না লৈরম্বা ওলিম্পিক মোটোদা 'টুগেদর' হায়বা ৱাহৈ হাপচিল্লসি হায়না বেকনা ফোঙদোকখ্রে



টোকিও, জুন ১০ (এজেন্সী): মালেমগী শান্নবগী খ্বাইদগী চাওবা কুম্ভ ওইরিবা ওলিম্পিক গেমসকী চৎনরক্লিবা মোটো 'ফাষ্টর, হায়র এন্দ ষ্ট্রোঙ্গর' অসিগী মথক্তা 'টুগেদর' হায়বা ৱাহৈ অসিসু হাপচিল্লসি হায়না ইন্টরনেসনল ওলম্পিক কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট থোমাস বেকনা প্রপোজ তৌখ্রে।

ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী মায়কৈদগী টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্মিটি অসিগী মীফমদা মমাংঙৈদগী চৎনদুনা লাক্লিবা ওলিম্পিককী মোটো ওইরিবা ফাষ্টর, হায়র অমসুং ষ্ট্রোঙ্গর হায়বা অসিগী মথক্তা টুগেদর হায়বা ৱাহৈ অসি হাপচিল্লসি হায়না থোমাস বেককী মায়কৈদগী ফোঙদোকখিবনি।

ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কাউন্সিলগী এগজিক্যুটিভ বোর্দ অমদি ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী মেম্বরশিংগী মায়কৈদগী সপোর্ট ফংদুনা হান্না লৈরিবা মোটো অদুগী ৱাহৈ অহুমগী মথক্তা অনৌবা ৱাহৈ ওইগদৌরিবা 'টুগেদর' হায়বা ৱাহৈ অসি জুলাই ২০ অমসুং ২১দা টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী সেসনদা অয়াবা ফংবগী চপ চাবা খোঙথাং লৈরে হায়রি।

মরক অসিদা ওলিম্পিককী মোটো হোংদোকপগী মতাংদা ইন্টরনেসল ওলিম্পিক কম্মিটিগী বোর্দ অমদি মেম্বরশিংনা অয়াবা পীরবসু মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগী ওইনা লৈরিবা নেসনল ওলিম্পিক কম্মিটি অমদি কম্মিটিশিং অসিগী এগজিক্যুটিভ বোর্দগী অয়াবা অমসু মথৌ তারি। অদুবু ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট থোমাস বেকনা পুখৎলক্লিবা ৱাফম অসিদা তোঙান-তোঙানবা নেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী মায়কৈদগী অয়াবা ফংগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈ।

চহী অসিগী জুলাই ২৩দগী হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসিগী মাংওইননা ওলিম্পিক পাঙথোকফম ওইরিবা টোকিও সিটিদা চহী ৬৫গী মখাদা লৈরিবা মীয়াম অদুসু থাংজনুমীৎতগী কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পা হৌবা য়াবগী বূকিং তৌননবা খঙহল্লক্লে হায়না জপানগী ন্যুজ এজেন্সী অমগী ন্যুজ রিপোর্ট অমদা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদগী জপানদা ফ্রন্টলাইন হেল্থ ৱর্করশিং চহী ৬৫গী মথক্তা লৈবা মীওইশিং হান্না খন্দোক্লগা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন অসি কাপ্লম্বনি। অদুবু খোঙথাং অদু চাওথোক্তুনা চহী নৌরিবা কাঙলূপসু কাপথোক্লবা থবক লৌখৎলক্লি।

# কর্নাটাকাদা শান্নরোয়শিংগী ওইবা অপূনবা ভেক্সিনেসন কেম্প হৌখ্রে

বেঙ্গলুরু, জুন ১০ (এজেন্সী): কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা শোকহল্লবা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা কর্নাটাকাদা লৈরিবা শান্নবগী ফ্রেটর্নিটিশিংগী অপূনবা খোঙথাং অমগা লোয়ননা ষ্টেট অদুগী লৈঙাক্না খূৎশম্নরগা বেঙ্গলুরুদা লৈরিবা কান্টিরাভা ষ্টেদিয়মদা ঙসিদগী হৌরগা হয়েং ফাওবা শান্নরোয়শিং পূন্না কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপ্পগী থবক পায়খৎখ্রে।

য়ামদ্রবদা বেঙ্গলুরুগী কান্টিরাভা ষ্টেদিয়মদা শান্নরোয় ৪,০০০ রোম কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপ্পনবা রেজিষ্টর তৌদুনা লৈখি। নুমীৎ নীনিগী ওইবা মেগা ভেক্সিনেসন কেম্প অদু ঙরাংদগী হৌখিবনি।

বেঙ্গলুরুগী সিভিক বোদি অমা ওইরিবা ব্রুহট বেঙ্গলুরু মহানগর পালিকে (বি বি এম পি)না শীন্দুনা লৌখৎলিবা ভেক্সিনেসন কেম্প অদুদা শান্নরোয়শিং, কোচশিং অমদি তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস দিসিপ্লিনগী টেক্নিকেল ষ্টাফশিংসু কোভিদ-১৯গী ভেক্সিনগী অহানবা দোজ ফংগদৌরিবনি।

কর্নাটাকা ওলিম্পিক এসোসিএসনগী মখাদা চহী ১৮গী মথক্তা লৈবা শান্নরোয় ২,২০০ হেনবনা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপ্পনবা রেজিষ্টর তৌরে হায়না এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট গোবিন্দ রাজুনা ফোঙদোরকখি। মহাক্না মখা তারদুনা নুমীৎ নীনিগী ওইবা কেম্প অসিদা য়ামদ্রবদা শান্নবগী ফ্রেটর্নিটিশিংগী মীওই ৩,৫০০ হেনবনা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপ্পা ফংগদৌরি। ঙরাং ভেক্সিন কাপ্পা ফংখিবা শান্নরোয়শিংনা ফোঙদোরকখিবদা, মখোয়না হান্না ফংলমদবা খূদোংচাবা অদু মতম অমুক্তদা ফংবা অসি য়াম্না অচৌবা থাগৎপা য়াবা খোঙথাংনি হায়খি।

# এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোয়শিং অমদি মশা খিংলিবা নহাশিংগী ওইবা অপূনবা পাঙ্গল ইন্দিয়াগী টিমদা লৈরি : লিলিমা মিঞ্জ






বেঙ্গলুরু, জুন ১০ (এজেন্সী): টোকিও ওলিম্পিক গেমস শরুক য়ানবগী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী টিম অসিদা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোয় কয়া অমদি নহা ওইরিবা মশা খিংলিবা শান্নরোয়শিংগী ওইবা অপূনবা পাঙ্গল লৈরি হায়না টিম অসিগী মিদ ফিল্ডর ওইনা মতম শাংনা টিম অসিদা শরুক য়ারক্লবী লিলিমা মিঞ্জনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী টিম অসি হৌজিক-হৌজিক বেঙ্গলুরুগী স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া স্পোর্টস সেন্টরদা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা কোর গ্রুপতা লৈবা হোক্কী শান্নরোয়গী অপূনবা প্রিপরেসন কেম্প চথুরি। কেম্প অসিদা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোয় কয়া অমদি মশা খিংলিবা চহী নৌরিবী শান্নরোয় কয়া অমসু য়াওদুনা টিম অসি য়াম্না চুং ফিরাল চাবা মওংদা লৈরি হায়না লিলিমা মিঞ্জনা শেম শারিঙৈ মনুং অসিদা পাউগী এজেন্সী অমগা ৱারী শানবদা ফোঙদোরকখিবনি।

এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোয়শিং অদুনা মায়োক্লবা টিমগা লম্বা তৌনরকপদা অরুবা তানফমদা মেটচ অদুগী মায়কৈ হোংহনবা ঙমগদৌরিবনি। অমরোমদা, নহা ওইরিবা মশা খিংবা শান্নরোয়শিং অদুনা মায়োক্লবা গেমদা পাঙ্গল ৱাৎতনা লৈরি হায়বগী কান্নবা অদু অতোপ্পা টিমমেটশিং অদুদা পীবা ঙমগদৌরিবনি। অসিগুম্বা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিং অসিগী অপূনবা কেম্প অসিনা ওলিম্পিক গেমসকী শেম শাবদা চাওনা কান্নবা ফংগনি হায়না মিঞ্জনা মখা তাখি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE





## PUZZLE NO. 136

GM Caruana, Fabiano (2823) - GM Duda, Jan-Krzysztof (2743)
chess.com Speed 2020 chess.com INT, 2020.11.15

| | | |
|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 d6 | 3.d4 cxd4 |
| 4.Nxd4 Nf6 | 5.Nc3 a6 | 6.Rg1 e5 |
| 7.Nb3 Be6 | 8.g4 d5 | 9.exd5 Nxd5 |
| 10.Bg2 Nxc3 | 11.Qxd8+ Kxd8 | 12.bxc3 Nc6 |
| 13.Be3 Kc7 | 14.Rb1 Rc8 | 15.Be4 Be7 |
| 16.Ke2 b5 | 17.g5 Rcd8 | 18.h4 Bd5 |
| 19.Kf3 Bxe4+ | 20.Kxe4 Rd7 | 21.Nd2 Rhd8 |
| 22.Nf3 Re8 | 23.h5 Na5 | 24.a4 Nc4 |
| 25.Nh4 bxa4 | 26.Nf5 g6 | 27.hxg6 hxg6 |
| 28.Nh6 Ba3 | 29.Ra1 Rb8 | 30.Ng4 Rb2 |
| 31.Nf6 Rd8 | 32.Rh1 Rxc2 | 33.Rh7 Kc6 |
| 34.Rxf7 Nd6+ | 35.Kd3 Rb2 | 36.Rh7 Nb5+ |
| 37.Kc4 Rb3 | 38.Ne4... | |

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 135 Ans. :**
23. ...Rb8 24.Qxa7+The white queen decoys Black's king.Kxa7 25. Ra4+ Kb7 26. Ba6+ Ka8 27.Bc8#With a discovered check by the white rook. Pillsbury's mate 24.Qxa7+

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com